# রিচার্দ মীহাৎতা চেন্নবশিং দন্দি পীয়ু হায়না জন্তর মন্তরদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল**, এপ্রিল ২৮ঃ* হৌখিবা তাং ১৭ কী নুমিদাংদা বেঙ্গলোরগী অচারিয়া নাভ স্কুল ওফ অর্কিটেকচরদা তম্বা মহৈরোয় উরিপোক য়ান্থেম লৈকায়দগী রিচার্দ লোইতাম অপোকপা ডা: এল রাজেসকুমারবু মহাক্কা হোষ্টেলদা লৈমিন্নবা মহৈরোই অনিনা টি ভি য়েংবগী ৱাহৌগা মরী লৈননা তমথিনা ফুরগা হাৎখিবা থৌদোক্তুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অমসুং মদুদা চেন্নবা খুদিংমক মতিক চাবা দন্দি পীয়ু হায়না নিউ দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা অৱাং- নোংপোক্কী মহৈরোয়শিংনা অকনবা প্রোটেষ্ট চথখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২ দগী ৫ ফাওবা চথখিবা প্রোটেষ্ট তৌদুনা মহৈরোইশিংনা রিচার্দ লোইতাম মীহাৎকী থৌদোক কন্দেম তৌই। ক্রাইম অদুবু লোৎশিন্দুনা থম্নবা হোৎনরিবশিং কন্দেম তৌই। রিচার্দকী থৌওং অসি নোর্থ ইষ্টকী মীয়ামবু তাথি তাওইনা তৌবগী খুদমনি হায়রদুনা মসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। মীহাৎ অসিদা চেন্নবশিং মতিক চাবা দন্দি পীগদবনি। ক্রাইম অমসুং ক্রিমিনেলশিংবু কনখৎলগা থল্লিবা স্কুলগী প্রিন্সিপাল অমসু হোষ্টেলগী ৱার্দেন মতিক চাবা দন্দি পীগদবনি। ক্রাইম অসিবু হেন্দল তৌবগী মহুৎতা মথৌ থৌশাদনা লৈথোক্লিবা দাইত্য লৈবা পুলিস ওফিসারশিং মতিক চাবা দন্দি পীগদবনি। ইন্দিয়াদা মরুওইনা মেট্রোপোলিটান সিটি অমসুং ইন্সটিট্যুসনেল ইষ্টাব্লিষ্টমেন্টশিংদা নোর্থ ইষ্ট মীয়ামদা ক্রাইমশিং চথরিবা অসি থিংনবা মসিগী থৌরাংশিং লৌখৎকদবনি হায়না দাবী তৌখি।

অমরোমদনা রিচার্দকী থৌদোক অদুবু য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা স্কুল ওথোরিটিনা অসিগুম্বা ক্রাইমশিং অসি থিংনবা হোৎনদে অমদি শেমজিন-শাজিনবা ৱারী কয়ানা মীহাৎ অদুবু কুপশিন্নবা হোৎনৈ। রিচার্দপু হাৎপগী থৌদোক থোকখ্রিবসি কলেজগী ওথোরিটিশিংনা চেকশিন্দবদগীনি। মখোয়গী অরৈ-অরা তৌবা থৌওংশিং অসিনা মরাল লৈরবা ক্রিমিনেলশিং অদুবু কনখৎতুনা থম্নবগীদমক্তা লৌতুনরে হায়বসি উৎলে। অমরোমদা, এটেন্দেন্স রেকোর্দতগী তায়োন্নবা, ইনক্বারি হৌগৎলকপদা কা মনুংদা লৈমিন্নরিবা মমান্নবশিং অদুবু কেম্পস ৱাংমদা লৈহল্লি। থৌওং অসিগা লোয়ননা ক্রিমিনেলশিং অদুবু হৌজিকসু মনিং তম্ন া থাদোক্তুনা থল্লি। চৈরক অসিদা হোষ্টেলগী ৱার্দেন্না থাঙ্গৎলকপা এপ্লিকেসন অমদা য়ুন্ফম ওইদুনা মতম য়াম্না চোঙ্হনা এপ্রিল ১৮ গী নুমিদাংদা কর্নাটকাগী মদানায়পেনহালি পুলিস ষ্টেসনদা অন নেচরেল দেথকি কেস অমা রেজিষ্টর নম্বর ২৪ / ২০১২ অন্দর সেক্সন ১৭৪ (সি)গী মখাদা লৌখৎখিবা অসিসু অৱাং-নোংপোক লমদমদগী লাকপা মীওইশিংবু শেল, মসল পৱার অমসুং কাঙলুপকী খেন্নবা মীৎয়েংদা য়েংদুনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্দনা নমশিন্দুনা থম্না য়ানবা হোৎনবনি হায়রি।

কেস অসি পায়বদা উবা ফংলিবা ওফিসিয়েলশিংগী খেন্নবা মীৎয়েং, থৌশাদবা অমসুং উশিৎ- থৌওইদবা মওংশিং অসিনা জষ্টিসপু শিংনরে। থৌওং অসিনা অৱাং-নোংপোক লমদমগী মীয়ামগী মায়োক্তা অথিংবা লৈতনা চথহল্লিবা ‘ময়াং রেশিজম’ গী নুংনাংবা অদু ঐখোয়গী ৱাখলদা নৌহৌননা পোকহল্লে। কেস কয়াদা অৱাং-নোংপোক লমদমগী মীওই কয়া ইন্দিয়ান মেট্রোপোলিতান সিটিশিংদা থবক থিবা অমসুং মহৈ-মশিং তম্বা চৎনরিবশিংবু অখন্নবা পান্দম ওইদুনা কাঙলুপ নাইবা মীৎয়েংদা হন্থনা য়েংবীরি অমসুং অচুম্বা ৱায়েল ফংহনদ্রি। থৌওং অসি থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি অমসুং মিপাইনিংঙাইনি। ঐখোয়গী ইজৎ অমসুং মীওইবা অমা ওইবগী ইকায়খুম্নবা অদুবু খোঙ্গাওনরিবা ইন্দিয়াগী গুন্দা অমদি লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংগী থৌওই-উশিৎতবা মওং অসিগী মখাদা নমথদুনা থম্বগী থৌওং অসি অমুক হন্না তৌহন্দনবা ঐখোয়না হোৎনফম থোক্ত্রা? ঐখোয়গী ফন্দামেন্টেল রাইটশিং অমসুং ইশাগী ইজৎ -সন্মান অদু ঙাক শেন্দুনা থম্নবগীদমক্তা ঐখোয়না খোঙজং চঙশিল্লরোইদ্রা হায়নসু চেরোল অসিনা হংলক্লি।